**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- ৱেট লেন্দশিং অসিবু কনবা হায়বসি ঐখোয় পুমমক্কী দাইত্বনি।

২) মালেমগী ৱেট লেন্দস নুমিৎ পালন থৌরম রাজ্যগী থাক্তা ইম্ফাল ইষ্টকী য়ারল পাৎতা পাঙথোকখ্রে।

৩) থাউ অমদি গ্যাস লিকা শিজিন্ননবা থখায় পালন- শকসম ২০২৬ ঙসি ইম্ফালগী মণিপুর কলেজদা হৌদোকখ্রে।

৪) লোংমাই বজারদা নুপী অমা নৌনা লেপ্রোসি নাবা থেংনবগা লোয়ননা মণিপুরদা লেপ্রোসিনা নাবা মীগী মশিং ২১ শুরে।

অমসুং

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী ভাষন থাগৎপগী মোসন লোক সভা অমদি রাজ্য সভাদা খন্নবা হৌখ্রে।

------

ৱেটলেন্দ (এল)ঃ মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- রাজ্য অসিগী ৱেট লেন্দ ইকো সিষ্টেম অসি ঐখোয়গী রাজ্য অসিগী কলচর অমসুং ইকোলোজিকেল ফেব্রিক্তা চেৎনা পুনদুনা লৈরবনি। মালেমগী ৱেট লেন্দস নুমিৎতা পীবা পাউজেল অমদা রাজ্যপালনা হায়- ৱেট লেন্দশিং অসিবু কনবা হায়বসি ঐখোয় পুমমক্কী দাইত্বনি।

ডে (এল)ঃ ৱেট লেন্দস এন্দ ত্রেদিসনেল নোলেজ- সেলেব্রেতিং কলচরেল নোলেজ হায়বা ৱাখল্লোনদা রাজ্য থাক্তা মালেমগী ৱেট লেন্দস নুমিৎ ইম্ফাল ইষ্টকী য়ারল পাৎতা ঙসি পাঙথোকখি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুং ওইখিবা, ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জগী প্রিন্সিপাল সেক্রেতরি অরুনকুমার সিনহানা ভারচুয়েল ৱেট লেন্দ ম্যুজিয়ম অমসুং মণিপুরগী ৱেট লেন্দশিংগী মতাংদা ফোটো একজিবিসন অমা হৌদোকখি। মহাকা ৱেট লেন্দ মিত্রগসু ৱারী শান্নখি। তুংদা হিরম অসিদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা সিম্পোজিয়মগী মকোক মথং তারবশিংদা মনা য়েন্থোকখি। মহাকা তোপ দুসরা খুঙ্গংবু ক্লাইমেত রেজিলিয়েন্ট ভিলেজ ওইনা এদোপ তৌবগী সার্তিফিকেটসু খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী দাইরেক্তর, ডাঃ তৌরাংবম ব্রজকুমারনা হায়- ৱেট লেন্দ অমদা উচেকশিংনা নিংথিনা চাক্তারবদি মফম অদুগী অকোইবগী ফিভম ফনা লৈরি হায়বগী খুদিমনি। লম হেক্তর ৭৮ লোম চাউবা য়ারল পাৎতা কুমজা ২০২১-২২ দা উচেক মশিং থিবদা উচেক লিশিং ১,৩০০ লোম চাক্তাবা থেংনখি। হন্দক্তা জনুৱারি থাদা উচেক মশিং থিবদা উচেক লিশিং ৩ গী মথক্তা চাক্তাবা থেংনখি। মসিনা তাক্লিবদি য়ারল পাৎকী অকোইবগী ফিভম অসি শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলক্লে হায়বনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী জিওগ্রাফি দিপার্টমেন্টনসু ঙসি লোক্তাক পাৎ মপানদা মালেমগী ৱেট লেন্দস নুমিৎ পাঙথোকখি। থৌরম অদু পাঙথোকপগী মপুং ওইবা পান্দমদি- মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নদুনা ৱেটলেন্দশিং কনবগী মতাংদা মীয়াম্বু ভাব তাহনবনি অমসুং লোক্তাক লেক হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবা অমসুং য়োকখৎতুনা থম্বদা লমদমদুগী মীয়ামগী ৱাখল্লোন খঙদোকপনি। থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্ট অসিগী ফেকলতি মেম্বরশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা মফমদুগী অহলশিং অমসুং মীয়ামগী লুচিংবশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

অশিনিকুমার (এল)ঃ লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওতোরিতিগী হান্নগী চেয়ারমেন এম. অশিনিকুমারনা হায়রি- ঐখোয়গী ইকো সিষ্টেমদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা ৱেট লেন্দশিংবু ঙাক শেন্দুনা থমবা হোৎনবদা মীয়াম পুন্না থৌদাং লৌমিন্নরশি।

ৱার্ল্ড ৱেট লেন্দ ডেগা মরী লৈননা ফোংদোকপা ৱারোল অমদা শ্রী অশিনিকুমারনা হায়- লোক্তাক পাৎ অসি ঐখোয়গী সভাত্যাগী নাওশুমনি, মীওই লিশিং কয়াগী হিংনবগী তাংজফমনি অমসুং মালেমগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা শঙাইগী লৈফমনি। ইথায় বরাজনা পাৎ অসিগী অমসুং অকোইবদা লৈবা মফমশিংগী ইকো সিষ্টেমদা মতম শাংনা অকায়বা কয়া থোকহল্লক্লিবা অসি হন্না য়েংশিনবা মতম ওইরে হায়নসু শ্রী অশিনিকুমারনা ফোংদোক্লি।

রঞ্জন (এল)ঃ কেন্দ্রগী হান্নগী শিক্ষা অমসুং মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন্না হায়রি- ঙরাং পুথোকখিবা শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী কেন্দ্রগী বজেৎনা যুবা শক্তি দ্রিভন গ্রোথ হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, মেন্যুফেকচরিং অমসুং লমদম লমদমগী থোং মান্নবদা শেল থাদনবগী মরুওইবদু পল্লি। দোনর মন্ত্রালয়গীদমক লুপা কোতি লিশিং ৬,৮১২ কাইথোরকপদসু ডাঃ রঞ্জন্না নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। মসিনা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমবু হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

গ্যাস (এল)ঃ কঞ্জার্ভ ওইল এন্দ গ্যাস, গো গ্রিন হায়বা হিরমদা শকসম ২০২৬ হৌদোকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী পিশুমথোংদা লৈবা মণিপুর কলেজদা পাঙথোকখ্রে।

কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়গী মখাদা মণিপুরদা লৈরিবা থাউ অমসুং গ্যাসকী পাব্লিক সেক্তর কম্পনিশিংনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থখায় অমা চুপা চখগদবা থৌরম অদু হৌদোক্লদুনা কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী দাইরেক্তর করাম বোনোনা হায়- থাউ অমসুং গ্যাসকুম্বা অককবা মহৌশাগী পোথোকশিং অসি দরকার লৈবা তঙাইফদবা চাংদা

শিজিন্নবগী হৈনবী লৈনবা হোৎনগদবনি। অসিগুম্বা পোখোকশিং অসি তুংগী মীরোলগী খন্দুনা লিকা শিজিন্নবা হায়বসি ঙসিগী মীরোল ঐখোয়গী তঙাইফদবা থৌদাং অমনি। মহাকা হায়- থাউ অমসুং গ্যাস অসি চাউরাকা চহি ৫০ দগী ৭০ ফাওবগী চাংদা শিজিন্ননবা লৈরি হায়না থাজনরি। মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাক কয়াদদি নুংশিৎ অমসুং সোলরদগী পুথোকপা পৱার অমসুং ইলেক্ট্রিক্ট ভেহিকলনচিংবা শিজিন্নদুনা থাউ অমসুং গ্যাস শিজিন্নবগী চাং হন্থহন্নবা থবক্তা হেন্না মায় ওনশিনখ্রে। অসিগুম্বা ৱাফমশিং অসি মীয়ামদা পাক শন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা শকসম থখায় পালন অসি লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লি।

নোনে (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি নোনে অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেপ্রোসি য়ুনিত নোনেনা পুন্না শিন্দুনা স্পার্স লেপ্রোসি এৱারনেস কেম্পেন ২০২৬ নোনে প্রাইমারি হেলথ সেন্তরদা হৌদোকখ্রে। কেম্পেন অসিগী থিমনা এন্দিং দিস্ক্রিমিনেসন, এন্সুরিং দিগনিতি হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ষ্টেট লেপ্রোসি য়ুনিতকী হেলথ ইজ্‌কেসন ওফিসার মহামদ মজিদ আলিনা হায়- লেপ্রোসি হায়বসি চাদা চামা লায়েংদুনা ফবা ঙমহল্লি। ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন্না সরকারগী খুৎথাংদা মসিগী দরকার লৈবা হিদাকশিং লেমা পীরি। কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা মালেমদগী লেপ্রোসি লায়না মুখৎনবা পান্দম থল্লি। ভারতকী ওহনদি কুমজা ২০২৭ ফাওবগী মনুংদা লায়না অসি লৈহন্দনবা কন্না হোৎনরি। ঙসি লোংমাই বজারদা নুপী অমা নৌনা লেপ্রোসি নাবা থেংনরে। মসি থারগা মণিপুরদা লেপ্রোসিনা নাবা মীগী মশিং ২১ শুরে।

কাংপোকপী (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্টেসন কাংপোকপীনা ইন্তিগ্রেতেদ রুরেল মেনেজমেন্ট এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা নুমিৎ ১৫ নি চত্থগদবা মোবাইল ভেহিকল কেম্পেন অমা ঙসি হৌদোকখ্রে। কেম্পেন অসিগী থিমনা প্রোটেক চাইল্ডহুদ, ষ্টোপ চাইল্ড মেরিএজ হায়বসিনি।

অমরোমদা, ঐচ.পি.ভি. ভেক্সিনেসনগী মতাংদা আশাশিংগী ওইবা নোংমগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি কাংপোকপীগী সাদর হিলস ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা আশা ৱার্কর ২০০ রোমা শরুক য়াখি।

অসাং (এল)ঃ ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম মণিপুর অমসুং ফুট হিলস নাগা কোওর্দিনেসন কমিতিনা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ অমসুং রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। মেমোরেন্দম অদুদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবগী পান্দমদা কুমজা ২০০৮ দগী হৌরকখিবা সস্পেনসন ওফ ওপরেসন (সু) এগ্রিমেন্ট অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম হন্না য়েংশিনবীনবা তকশিনখি।

মেমোরেন্দম অদু পীশিনখ্রবা মতুংদা ইম্ফালগী প্রেস ক্লবদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম মণিপুরগী চীফ এদভাইজর অসাং কসারনা হায়- সু চৎনখ্রবা মতুংদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা পুরকপগী মহ্ৎতা চীংগী শরুক কয়াদা পাক শন্না কোকথোক্তুনা পোপ্লি পান্বী থাবা অমদি মীয়ামদা ওনশিন্দুনা অকি অখণ্ড পোকহনবগী থৌওং কয়া চত্থরক্লি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিনা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংদা অকায়বা কয়া পীরক্লি। সু চৎনবগী মতম মমাং চহিদা লোইখ্রবসু, মদুগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম মীয়ামদা খঙহল্লু হায়দুনা মেমোরেন্দম অসি পীশিনখিবনি।

এৱার্দ (এল)ঃ মণিপুরী ফুরুপকী মনুংদগী কলচরেল এক্তিভিষ্ট অমসুং অইবা নত্যাভুসন মাইমোম কালেন সিংহদা অনুরুপা বিস্বাস স্মিৃতি সম্মানানা পীদুনা ইকায় খুমখ্রে। বরাক উপত্যাকা বঙ্গা সাহিত্যা ও সংস্কৃতি সম্মেলন্না অসামগী হাইলাকান্দিদা ঙসি পাঙথোকপা থৌরম অমদা মনা অসি লান্থোকখিবনি।

দিএম (এল)ঃ আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স ইনেবল রিএল টাইম ইনভাইরোনমেন্টেল মোনিটরিং কৌবা লাইরিক অমা ঙসি ধনামঞ্জুরি

য়ুনিভর্সিতিদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার দব্লিউ. চান্দবাবুনা ফোংখ্রে। থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

ডে (এল)ঃ স্লোপলেন্দ পাব্লিক স্কুলগী ২৪ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, অরাপ্তি জ্নিয়র হাইস্কুলগী ৫৯ শুবা গোল্ডন জ্বিলি থৌরমসু ঙসি পাঙথোকখ্রে।

এআর (এল)ঃ নহারোলশিংবু আর্মদ ফোর্সতা থবক চংনিংনবগী ৱাখল্লোন হেন্না ফাওহন্নবা মোদিভেসনেল লেকচর প্রোগ্রাম অমা ঙসি লাংয়োক্তা পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়- থৌরম অদুদা থকশি খাসি অমসুং মরৈবাক নীংবগী ৱাখল্লোনশিংগী মতাংদা রিছোর্স পার্সনশিংনা ৱা ঙাংখি।

অমরোমদা, কাংপোকপী জিলাগী সি.ঐচ. খোনোম ৱাইফৈ ভিলেজদা ভারত লান্মীগী ওপরেসন সদভবনাগী মখাদা অচৌবা ৱাটর কুল্লর অহুম খুৎশিন্নখ্রে।

মোসন ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা সংসদকী সভা অনিগী অপুনবা মীফমদা পীখিবা ভাষন থাগৎপগী মোসন লোক সভানা খন্নবা হৌখ্রে। খন্নবা অদুগীদমক পুং ১৮ গী মতম পীরি।

সভাদা ঙসি মোসন অদু পুথোক্লদুনা কেন্দ্রগী মন্ত্রি সরবানন্দ সোনোৱালনা রাষ্ট্রপতি মুরমুগী ভাষন অদুবু শিংথানিঙাই ওইবা ভাষন অমনি হায়খি। মহাকা হায়- রাষ্ট্রপতিগী ভাষন অদুদা লৈবাক অসিগী তুংদা ওইরক্কদবা পুকিং ঈথিল পীবা মীৎয়েং য়াওরি। মন্ত্রিনা হায়- মসিদা সোসিয়েল জষ্টিস, ইনক্লুসিভ গ্রোথকীদমক সরকারনা থল্লিবা মীৎয়েং অদুগী মমি তাই অমসুং ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী ফিরেপ অদুগীসু মমি তারি। শ্রী সোনোৱালনা হায়- সরকার

অসিগীদি সবকা সাথ, সবকা বিকাশ, সবকা বিশ্বাস অমসুং সবকা প্রয়াস হায়বা মন্ত্র অসি চুমগী স্লোগান অমখক নত্তে। লৈঙাক অসিবু লমজিংলিবা কাংলোননি।

বি.জে.পিগী তেজাস্বি সুরয়ানা থাগৎপগী মোসন অদুবু সেকেন্দ তৌখি। মহাকা হায়- হৌখিবা চহি ১২ অসিদা নরেন্দ্র মোদি সরকারনা অমকপা অমত্তা লৈহন্দনা মীয়ামগী অপাম্বা শোইদনা ফংনবা হোৎনরক্লি অমসুং সরকার অসিগী মথক্তা শেঞ্জা থুমজা তৌবগী মরাল শিরকপা অমত্তা লৈত্রি।

সংসদকী সভা অনিগী অপুনবা মীফমদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা পীখিবা ভাষন থাগৎপগী মোসন রাজ্য সভানসু খন্নবা হৌখ্রে। মোসন অসি খন্ননবা সভা অসিদা পুং ১৬ কী মতম পীরি।

মন্সুখ ঃ কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়ানা ঙসি মাই ভারত বজেৎ কেস ২০২৬ হৌদোকখ্রে। লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদনা নহারোলশিংগীদমক অখন্নবা থৌরম অমা ওইরিবা মাই ভারত বজেৎ ক্বেস ২০২৬ অসি হয়েং হৌদোক্কনি। থৌরম অসিনা লৈবাক অসিগী নহারোলশিংদা কেন্দ্রগী বজেৎকী মরমদা নিংথিনা খঙহনবা নাগরিকশিং ওইহন্নবা পান্দম থল্লি।

থৌরম অসিগা মরী লৈনবা অহানবা তাঙ্কক্কী চাংদমবনা থা অসিগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা মাই ভারত পোর্তেলদা রেজিষ্টর তৌরকপা নহারোলশিংগী ওইনা পাঙথোক্কনি। মসিদগী খনগৎলবা নহারোলশিং অদুনা থা অসিগী ১৭ তগী মথং থাগী ৩ ফাওবগী মনুংদা রচনা ইবগী চাংদমবা পাঙথোক্কনি। মকোক মথং তারবশিং মার্চ ১০ দা লাউথোক্কনি।

এআই ঃ থা অসিগী ১৭ তগী নিউ দিল্লিদা হৌগদৌরিবা ইন্দিয়া এ.আই. ইম্পেক্ট সম্মিৎতা শরুক য়াননবা হৌজিক ফাওবদা রেজিষ্ট্রেসন লিশিং ৩৫ হেন্না তৌরকখ্রে। কেন্দ্রগী ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ আই.টি মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়- নুমিৎ ৫ নি চুপা পাঙথোক্কদবা মীফম অসিদা মালেমগী লৈবাক ১০০ হেনবদগী লাকপা মীহুৎশিংনা শরুক য়াগদৌরি। মসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মকোক নত্রগা মন্ত্রি ১৫ দগী ২০ ফাওবা শরুক য়ারবা য়াই।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

মাষ্টর ঃ রাজস্থানগী আজমিরগী পাতেল ষ্টেদিয়মদা মমাং থাগী ৩০ দগী চঙ্খরকপা ৭ শুবা নেসনেল মাষ্টর এথলেটিক চেম্পিয়নসিপ ঙসি লোইশিনখ্রে। মণিপুরনা সনাগী তকমান ৬০, লুপাগী ৫০ অমসুং শেঞ্জেংগী ৩২ পুন্না তকমান ১৪২ ফংদুনা মেদল টেল্লিদা অহুমসুবা মফমদা লৈরে। চেম্পিয়নসিপ অসিদা হরিয়ানানা সনাগী তকমান ৯৩ য়াওনা পুন্না তকমান ২০৮ ফংদুনা অহানবা অমদি তেলঙ্গনানা সনাগী তকমান ৬৬ য়াওনা পুন্না তকমান ১৯০ ফংদুনা অনিসুবা তাখি।

খো খো ঃ খো খো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা হরিয়ানাগী কুরুক্ষেত্রদা চঙ্খরিবা ৩৫ শুবা সব-জ়নিয়র নেসনেল খো খো চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মেটচতা মণিপুরনা রাজস্থানবু পোইন্ট ৬২-২০ দা থোইদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে।

নুপীগী কাংলুপ্তা করনাটকানা মণিপুরবু পোইন্ট ২৫-১৮ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ফুটবোল ক্লব লমজাউনা উৎলৌ এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ চহি ১৯ মখাগী ৱিমেন্স ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লবনা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এফ.সি. ইম্ফালনা আই.সি.এস.এ ইরেংবমবু পাঞ্জল ১৭-১ থোইখি।

ফুটবোল ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নোংগ্রেনদা চঙ্খরিবা মঙাসুবা নোংগ্রেন ট্রোফিগী ঙসি সেমি শান্নখিবা অহানবা ফাইনেল মেটচতা ভি.দি.সি.এল (বি)

পুংদোংবমনা এল.এস.আই.সি লল্লাইবু পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইখ্রে। অনিসুবা সেমি ফাইনেলদা ও.এন.ৱাই.সি ওকসুনা সি.ঐচ.ৱাই.য়ু.সি চালৌ পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ লাংমৈদোং মমাং লৈকাই সিতিজন ক্লবনা শিন্দুনা চথরিবা তরুকশুবা ভিলেজ লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা হৈবোং মখোঙ এফ.সি উচিৱা হয়েলনা এরো এফ.সি ককচিং খুনৌবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি।

------